**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-01-2026)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা হায়রি-নহা ওইরিবা মহৈরোইশিংনা মমা লৈবাক্কীদমক অমদি মালেম অসিগীদমক য়াইফনবা ৱাখল্লোনশিং পুথোকবা হোৎনসি। মহৈ-মশিং নীংথিনা তম্বনা ইশাগী খক্তা নত্তনা রাজ্য অসিগী য়াইফনবা থৌরাংশিংদা শরুক য়ানবা হোৎনসি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী অহানবা কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-সরকার অসিনা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতি অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা থৌরাংশিং পায়খৎলি। অদুমওইনমক, সরকার অসিনা য়ুনিভরসিতি অসিগী তঙাইফদবশিং অদু মেনখৎনবা শেলগী তেংবাংদি মতিক চানা পীবা ঙমদ্রি। রাজ্যপালনা হায়-ঙসি গ্রেজুয়েট লোয়দুনা মহৈগী অনৌবা থাক অমদা য়ৌরক্লিবা অসিগী তুংদা মমা-মপা ওইবশিংগী অচৌবা থৌদাং য়াওরিবনি। মহৈরোইশিংনা অফবা মীওই অমমম ওইরকপদা মমা-মপা ওইরিবশিং খক নত্তনা য়ুনিভরসিতি অসিগীসু মায় ওইগদৌরিবনি। মহৈরোইশিংনা দায়ত্ব লৈবা নাগরিক অমমম ওইনবা হোৎনগদবনি

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি ডাঃ বিনিত যোসি অমসুং চীফ সেক্রেটরি-ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা দিগ্রিশিং ফংলবা মহৈরোইশিংদা সার্তিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

**মীফম(এল)ঃ** কেন্দ্র সরকারগী হাউজিং অমসুং অবার্ন এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী মখাদা পায়খৎপা স্কিমশিং নৌনা য়েংশিনবগী মতাংদা কেন্দ্রগী হাউজিং অমসুং অবার্ন এফিয়ার্সকী রাজ্য মন্ত্রি-তোখন সাহুনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা সেন্ত্রেল পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্ট, হাউজিং অমসুং অবার্ন দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদ অমসুং নেসনেল বিল্ডিং কন্সত্রক্সন কোরপোরেসন ইন্দিয়া লিমিটেকী মখাদা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী মতাংদসু কুপা খন্ন-নৈনখি।

কেন্দ্র সরকারগী শেন্‌ং মখাদা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামশিং নৌহৌননা য়েংশিনবগা লোয়ননা অমোৎ-অকায় লৈতবা সহরশিং ওইহন্নবগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলিবা স্বাস ভারত মীসন, অবার্ন (এস.বি.এম.য়ু) টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংনা মন্ত্রিদা পাউদমখি।

তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মখাদা পায়খৎলিবা অমসুং মপুং ফানা লোয়শিনখ্রবা প্রোজেক্টশিং কুপা য়েংশিল্লবা মতুংদা রাজ্য মন্ত্রি-তোখান সাহুনা হায়-অৱাং নোংপোক ভারতকী লমদমশিংদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা লাক্লি। রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং মতম চানা মপুং ফানা লোয়শিন্নবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকার অনি পুন্না চৎমিন্নবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিং মপুং ফানা চৎনহনবা অমসুং মতম চানা লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি। লোয়ননা হৌজিক হৌজিক রাজ্য অসিগী ওইনা পায়খৎলিবা য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদা অইবা চেরোল পীশিল্লকবসু ওফিসিএলশিংদা খঙহনখি।

তুংদা, মন্ত্রিনা স্মার্ট সিটি মীসনগী মখাদা পায়খৎলিবা নোংপোক তোর্বান দিবলপমেন্ট প্রোজেক্ট হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি অমদি রাজ্যপালগা উন্নদুনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

**মিয়া (এলঃ)ঃ** মেজর চোংথামিয়াগী ১১৮ শুবা নীংশিং থৌরম অমসুং মিয়াসিং

মেজর ৱারিয়ার মনা য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. পার্কতা লৈবা লোই থাখিবা অথৌবশিংগী নীংশিং খুভমদা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ চোংথাসনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মীয়ামনা মেজর চোংথামিয়াগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। নাৎকী ওইবা লাইশোন তিনশোন, থাং-তা অমদি গীতা থিবগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি। থৌরমদুগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা ওর্গনাইজিং কমিতিগী কনভেন্নর-চোংথাম রোমেননা হায়-মেজর চোংথামিয়ানা মমা লৈবাক্কীদমক লান্থেংনখিবা অমদি মহাকা লৌখিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা মহেরোইশিংগী সেলেবসতা হাপ্তুনা হৌরক্লিবা মীরোলদা খঙহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। হৌখ্রবা পুৱারীগী মরমদা নীংথিনা খঙবা ৱাৎপদগী খুন্নাইদা পামদবা থৌদোক কয়া থোরকপগী মরমসু ওইরি।

থৌরমদুদা অচ্যারিয়া কে. ব্রজামনি শর্ম্মা, সনুলালগী প্রসিদেন্ট-টি.ঐচ. ইবেথোই অমসুং এদভোকেট-ডা: সি.ঐচ. নরেন্দ্রনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**এৱারনেস (এলঃ)ঃ** এদোপসন অমসুং পোক্সো এক্ট ২০১২ অমদি চাইল্ড ত্রাফিক্কিং হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী মীফম অমা ঙসি কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল কেন্দ্রগী মনুং চনবা লাইকোই চীংদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট কাংপোকপীনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা সারাগী প্রোগ্রাম মেনেজর-গ্যানলক্সমি থোঙামনা এদোপসন হায়বা হীরমদা অদুগা এস.সি.পি.এসকী প্রোগ্রাম ওফিসার-মালা লিশমনা পোক্সো এক্ট অমসুং চাইল্ড ত্রাফিক্কিংগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

**হেলথ (এলঃ)ঃ** ষ্টেট ব্লড সেল, নেসনেল হেলথ মীসন, মনিপুর অমসুং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ব্লড দোন্নরস ওর্গনাইজেসন (ফিবদো) মনিপুর ষ্টেট চেপ্তুরনা খুৎশমনা শিনদুনা ভোলুন্টরি বড দোনেসন অমসুং ব্লড ত্রান্সফ্যুজন

সাভির্সেস ইন মনিপুর হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকপা ব্লডকোন-২০২৬ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. হেমন্তকুমারনা হায়-রাজ্য অসিগী মনুং হুনজিনবা জিলাশিংদা লৈরিবা হোস্পিতালশিংগী হৌজিক লৈরিবা ব্লড বেঙ্কশিং মপুং ফানা মথৌ তৌনবা থবক পায়খৎলি। ব্লড বেঙ্কশিং অসি লৈত্রগদি হোস্পিতালশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকগদৌরিবনি। মহাকা হায়-মীওইবগী পুন্সিদা ঈ হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি। করিগুম্বা খুদোংথিবা অমা থোরকপা মতমদা ঈগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা ব্লড বেঙ্কশিং অসি মপুং ফানা শেমগৎপা চংই।

**শ্যাম (এলঃ)ঃ** লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ড ইম্ফাল অমসুং অপুনবা ইনাৎ শিনলোন লুপ-লিলোং চজিং মমাং লৈকাইনা পুন্না শিনদুনা ‘সনামহি লাইনিংদা নুপীগী সিন’ হায়বা হীরমদা নুমিৎ মঙানি চুপা চথরকপা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

লোয়শিনবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা এম.এল.এ. করাম শ্যামনা হায়-ঙল্লিৱৈঙে মতমদগী হৌদুনা ঐখোয়গী নাৎ-চৎনবী, ফিজেৎ-চাকচা অমসুং লাইনিং লাইশোলনচিংবা ঙাক্তুনা লাকপদগী ঐখোয়গী খুন্নাই অসি লৈবা ঙল্লিবনি। অয়ুক য়াহৌবদগী হৌরগা নুমিদাং তুল্লমদাই ফাওবদা ইমুং মনুংদা পাঙথোক্লিবা লাই খুরুম্বগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং নুপী ওইবীশিংনা অয়াম্বা তৌই। পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা খুন্তাক লানশিবা, লোইলম ওইবা অমদি তমথিরবা থৌদোক কয়া থোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা ঐখোয়না খুন্নাই লিংদুনা লৈবা ঙল্লিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি, ঐখোয়গী নাৎ-চৎনবী ঙাক্তুনা থম্বা অসিননি।

**শিব সেনা (এল)ঃ** মুম্বাই বি.এম.সিগী হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখলদা

বি.জে.পি. অমদি দল অসিগা চৎমিন্নরিবা মপাংশিংনা চাউনা মায় পাকখিবা অদু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমদি গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহগী হোৎনজমন্নি হায়না শিবা সেনা মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা ফোংদোকখ্রে।

ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী তোম্বীনা হায়-হৌখিবা চহি ২৫ অসিদা মুম্বাইদা বি.জে.পি. অমদি মপাং ওইরিবা দলশিংনা চাউনা মায় পাকখিবা অসি শিংথানিংঙাইনি। অপুনবা সিট ২২৭ লৈবগী মনুংদা ১১৮ ফংদুনা চাউনা মায় পাকখি। মহাকা হায়-লাক্কদৌরিবা নোংচুপ বেঙ্গোলগী বিধান সভা মীখলদসু বি.জে.পিনা চাউনা মায় পাক্তুনা এন.দি.এগী সরকার শেমগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মহাকা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি চহি অহুম ফাজিল্লক্কদৌরে। মরম অদুনা, লুচিংবশিংনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিংগী খল্লগা মীয়ামগী ওইবা সরকার অমা অথুবদা শেমবা হোৎনবা চংই।

**লোক্তাক (এল)ঃ** লোক্তাক্তা চাক্তারিবা এসিয়াগী ঈশিংগী উচেকশিং মশিং থিবা অমসুং অতৈ পাৎ অমসুং ঈশিংগী মফমশিংদা লৈবা উচেকশিং মশিং থিবগী নুমিৎ হুমনিগী ওইবা মোটিভেসন কেম্প অমা ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগা ১৯ ফাওবা বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রাগী আই.ডব্লিয়ু.টিদা পাঙথোক্লি।

থৌরম অসি রাজ্য সরকারগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ, লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতি অমসুং ইন্দিয়ান বার্ড কঞ্জারভেসন নেটৱার্কনা শিনবনি।

**কেম্প (এল)ঃ** নোনে জিলাগী নুংবা সব-দিভিজনগী মখাদা লৈবা মুক্তি খুল্লেন খুলদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মেগা হেলথ কেম্প অমা ঙসি লোয়শিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-নোনেনা শিনবা থৌরম অদুদা মীওই ৪৫০ রোম লায়েংখি হায়রি। লেমা হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি। মসিগা লোয়ননা

পি.এম.জে.এ.ৱাই. হেলথ কার্ডসু য়েন্থোকখি হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি হাউরা অমসুং গুৱাহাতি ফাওবা চেনগদবা অহানবা বন্দে ভারত স্লিপ্পর ত্রেন লমথাখ্রে। শ্রী মোদিনা ত্রেন অদু মালদা টাউন্দ রেলৱে ষ্টেসনদগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা লমথাখি।

বন্দে ভারত স্লিপ্পর ত্রেন অসিদা মোর্দন বোগী ১৬ য়াওরি। মসিদা পুন্না পেসেঞ্জর ৮২৩ তোংবা য়াগনি। ত্রেন অসিনা মীচম মীয়াম, মহৈরোই, মাইগ্রেন্ট ৱাকর, ত্রেদর অমদি ধর্ম্মগা মরী লৈননা লাই খুরুম্বা চৎপা যাত্রিকশিংদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি। ফুল এ.সি. ওইগদৌরিবা ত্রেন অসি গুৱাহাতিদগী চেনগদবা ওইবনা অসামদগী তোংবা মীওইশিংগী ওইনা চান-থকবা পীগনি। অমরোমদা, কোলকাতাদগী লাকপা ত্রেনগী ওইনদি বঙ্গালিশিংগী নাৎ অমসুং চৎনবীগা শগোন্নবা চান-থকবশিং ফংহন্নবা থৌরাংতৌরি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ন্যু দিল্লিগী দিল্লি হাটতা হয়েং আর্টিসিয়ান অমসুং খুৎশা হৈরবশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা পি.এম. বিশ্ব কর্ম হাট-২০২৬ হায়না মিংথোনবা ইগজিবিসন হৌদোক্কনি।

ইগজিবিসন অসি কেন্দ্রগী মাইক্রো স্মোল অমসুং মেদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেস মন্ত্রি-জিতন রাম মানঝিনা হৌদোক্কনি। ইগজিবিসন অসি মরুওইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা খুৎশা হৈরবশিংগী থোইদোক হেন্দোকপা মশক অদু উৎথোকবা খোঙথাং অমনি। মসিনা খুৎশা হৈরবা মীওইশিংনা শারিবা পোৎথোকশিং মালেমগী অমদি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ফংহন্নবগী ফম্বাক অমা ওইরগনি।

মন্ত্রালয়না হায়-ইগজিবিসন অসিদা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদগী লাকপা খুৎশা-হৈবা মীওই ১১৭ হেনবনা শরুক য়াগনি।

**জপান ঃ** নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ভারত্তা লাকখিবা জপানগী বিদেস মন্ত্রি-

তোসিমিসু মোটেগীনা ঙসি দিল্লি মেট্রো প্রোজেক্ট য়েংখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা ভারত্তা লৈরিবা জপানগী এম্বেসেদর-ওনো কেচি লোয়নখি।

জপানগী বিদেস মন্ত্রি-তোসিমিসুনা দিল্লি মেট্রোদা তোংদুনা পতেল চোক ফাওবা চৎত্রিঙৈ মমাংদা দিল্লি মেট্রো রেল কোরপোরেসন (দি.এম.আর.সি) গী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা দিল্লি মেট্রো প্রোজেক্টকী মতাংদা খঙহনখি। দি.এম.আর.সিনা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা হায়-দিল্লি মেট্রো প্রোজেক্টকী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংবু পুকিং থৌগৎপা অসিমক ভারত অমদি জপান অনিগী মরক্তা লৈরিবা মরুপ মপাং ওইবগী মরী অদু চেৎশিনহন্নবগী খুদমনি।

**হোক্কিঃ** ইম্ফাল ইষ্টকী কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ৰাই.সি.সি.আই.সিনা শিন্দুনা ইবুধৌ মার্জিং লম্পাক্তা চথরিবা ১৩ শুবা য়ুমাম রাসমণি মেমোরিয়েল ইনভিতেসন অন্দর ফিফতিন বোইজ এন্দ ৱিমেন হোক্কি তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচশিংদা-এস.ৰাই.য়ু.সি. উচেক্কোননা ফাম থাংমৈবন্দ য়ুমাম লৈকাইবু পাঞ্জল ৭-১ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা ৰাই.সি.সি.আই.সি. (এ) কোন্থা অহল্লুপনা আইদিয়েল তেরা বজারবু পাঞ্জল ১৪-১ দা অমসুং টি.ডব্লিয়ু.সি. তবুংখোকনা সেয়ো শিংজমৈবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী মেটচতা-মৈরা বাসিখোংনা ৰাই.সি.সি.আই.সি. (বি) কোন্থা অহল্লুপপু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখি। হয়েং অহানবা সেমি ফাইনেলদা ঐচ.য়ু.লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং ৰাই.সি.সি.আই.সি.দি. কোন্থা অহল্লুপকা শান্নগনি।

**ক্রিকেটঃ** গেলেক্সি ক্রিকেট ক্লব-খুরাই সাজোর লৈকাইনা শিনদুনা চথরিবা অহানবা কে.সি.সি. কপ খুরাই ষ্টেট লেবেল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি

শান্নখিবা মেটচতা-মিস্তর এলভেননা সোনালিকাবু রন-৬৫ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি খুদৈবন্দ লম্পাক তাউথোংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজ পার্ট টু পেচু লম্পাকনা কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈবু ৱিকেট তরেৎতা থোহখ্রে।

থৌবাল জিলাগী খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা-সি.দি.সি.সি. শগোলবন্দ সলাম লৈকাইনা কে.এ.এস.সি. খোমিদোকপু রন-১৮৫ দা থোইখি।

**পোলোঃ** এম.পি.এস.সি টিম-এ অমসুং এক্স-পোলো ক্লব ৱাংখৈ ৩৯ শুবা মেন্স ষ্টেট লেবেল পোলো তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- এম.পি.এস.সি. টিম (বি) না ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লব টিম (এ) বু পাঞ্জল ৭-৬ তা অমসুং এ.আর. পোলো টিম (এ) না চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ-২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবনা এলভেন স্তার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন-অকাম্পাৎপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-এন.এম.এফ.এনা ফুটবোল ক্লব কুন্বীবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** ১১ শুবা জিংতুং লোংফাং স্পোর্টস, লিটরেরি অমসুং কলচরেল ফেষ্টিবেল ফালি ভিলেজকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সৈখোর অমদি ঙাইঙা

পাঙ্গল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-লমলাংনা রিংগুইবু পাঙ্গল ১-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এম.পি.এ. টিম (এ) থৌনাওজমনা ৱাংখেম এফ.সি. এলাংখাংপোকপীবু পাঙ্গল ১-০ দা থোইখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২২ দা মোহেন এফ.সি. অমসুং এম.পি.এ. টিম (এ) অনিনা শান্নগনি।